ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯹, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ১৯, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৭০ শুবা মশীং

# মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ

## লৈঙাক্কী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ লাউথোকপা চুক্লে

***ঐখোয়গী*** ইপা-ইপূশিংগী তৌবা ঙম্বা অমসুং মতিক ময়ায়শিং শীংথারগা খুন্নাই অসি শাগৎননবা হোৎনবগী মহুৎতা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা ঐখোয় কমদৌনা হিংসিগে হায়বা ৱাখল্লোনদা থবক তৌগদবনি। ৱাখল পরিং অসিদনি হায়না লৌজরগা মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লৌ অমা ফংননবগীদমক সেদ্যুল ট্রাইবনি হায়না লাউথোকহন্ননবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিন্দুনা ইম্ফাল ময়োলদা মীওই লিশিং কয়ানা খুজিং ওইদুনা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অসি অমুক্তা ওইখিদ্রিবা অমসুং শীংথাবা য়াবা তাঙ্কক অমনি হায়না লৌরবসু থোইনা কায়দে। থবক অমা তৌবদা মদুগী অফবা অমদি ফৎতবা মহয় লৈগনি। অনাবা ফননবনি হায়দুনা দোক্তরনা থারিবা হীদাক অদুগীসু সাইদ ইফেক্ট লৈতবা নত্তে। অদুবু অফবা অমসুং মদুনা ওইরক্কদবা ফৎতবশিং অদুগী পাদম য়েংনরগা মীয়াম্না হীদাক চানরিবনি অমসুং লায়েংলিবা দোক্তর অদুনা হীদাকশিং অদু চাউ হায়রিবনি। মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা য়াওহনবদসু অফবা নৎত্রগা ফৎতবা অনী থোক্লা লৈগনি। অনী থোক্লিবা ৱাখল্লোনশিং অসি পাদম অমা থাদুনা ওন্নবদা করম্বনা হেন্না ফবগে হায়বসি য়েংলুরবদি মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা চনবনা ফৈ হায়বা মীওইনা মশীং হেনগনি হায়বসি খ্বাই তরানা খঙমিন্নখ্রে। অপূনবগী শক্তম ঙাক্লনবা, চীংমী-তম্মীগী মরী হেন্না চেৎশিন্ননবা অমসুং মুৎখিগদৌরবা ফুরুপ অসি কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ঙাক্লৌ অমা পীহন্ননবগীদমক মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ট্রাইব লিষ্টতা য়াওবনা চুমগনি হায়বা মীয়ামগী খোল্লাউ অমসু মণিপুর লৈঙাক্তা পীখ্রে। মরম অদুনা ইসু অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা মশাগী ওইবা ফিরেপ অমা লাউথোকপা চুক্লে। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লসু য়েৎনবা লৈ হায়বগী ৱাখল থাদোক্লগা তুংগী মীরোলগী খল্লগা মখোয়-মখোয়গী ওইবা ফিরেপ লাউথোক্তুনা পোলিটিকেলগী ওইবা অচুম্বা পোরম অমা য়াৎপা মথৌ তারে। হীরম অসিদা ঙাঙথোক্তবনা ফরে হায়না লৈরগদি মখোয়দা থল্লিবা মীয়ামগী থাজবা হন্থরক্কনি।

সেদ্যুল ট্রাইব লাউথোকপনা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়না খন্নরকপদা য়াম্না তোয়না তাবা ৱাফম খরা লৈ। ৱাফমশিং অদুগী মনুংদা মতম কুইনা জেনরেল কেটগোরিদা চন্দুনা লৈরিবা মীতৈ/মৈতৈশিংনা সেদ্যুল ট্রাইবনি হায়না লাউথোকহন্দুনা হন্থবা থাক্তা কুমথহনগদৌরে হায়বসি য়াওরি। মসিদি জেনরেল ওইবা পামজবা মীতৈ/মৈতৈশিংনা মচিন-মনাওনি হায়না তোয়না লাউরিবা সেদ্যুল ট্রাইব ওইবা চীংমী ইচিল-ইনাওশিংবু হন্থনা য়েংবগী মীৎয়েংদু মপান থোরকপনি হায়নিংই। মরমদি মালেমগী দিক্সনারি অমত্তদা ট্রাইব হায়বা ৱাহে অসি হন্থবা থাক্কী মীওইবনি হায়না ৱাহন্থোক পীবা থেংনদে। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা শীজিন্নরিবা ট্রাইব হায়বা ৱাহৈ অসিসু হন্থবা থাক্কী মীওই কাঙলূপ খঙহন্নবা ওইনা শীজিন্নবা নত্তে। শুপ্নগী ইন্দিয়াগী মপূং ওইবা মীয়ামদগী ফিজেৎ-চাকচা তোঙানবা, লাইনীং-লাইশোন, নাৎ অমদি অতৈ চৎনরোলশিং খেন্নবা অদুগা মীশীংদি য়ামজদবা অদুগুম্বা মীওই কাঙলূপ অমবু খঙনবা ওইনা শীজিন্নবনি। মায়কৈ অসোমগী মীৎয়েংদা য়েংলগা হৌরক্লিবা ঈহৌ অসিগী দিমান্দ অসি য়াম্নমক মরম চাই নৎত্রগা চাদে হায়বসি ঙসিগী মীরোল অসিনা মফম কয়াদা মীটিং পাঙথোক্তুনা কুপ্না নৈনরগা মীতৈ/মৈতৈ খুদিংনা ঈহৌ অসিবু শৌগৎপা নৎত্রগা শৌগৎতনবা ফিরেপ অমা লৌজবা মথৌ তাই। নৎত্রগদি ঈহৌ অসি মীচম মীয়ামদা অয়েৎপা পীদুনা লৈবগী মওংদা লাক্তুনা ওন্ন-তৈননা অকায়বা কয়া থোরকপসু য়াই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, পীকখ্রবা খুন্নাই অসিদা মীতৈ/মৈতৈনা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ফংজবা য়াবা দিমান্দ অমা তাল্লকপদা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে, মরম চাই নৎত্রগা চাদে হায়না নৈনবা য়াবা নৈনখ্রে। হৌজিক্তি ইসু অসিদা অনী থোকপগী ৱাখল্লোন থাদোক্লরগা তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ঐখোয় জিরোদগী ওইরবসু হৌগদবনি হায়বা খোল্লাউ অসি লাউফম থোকই। য়েংলু-য়েংলুবদা অফবা অমত্তা উবা ফংলক্ত্রবা অমসুং চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরক্ত্রবা মতম অসিদা ঐখোয়না অপূনবগী ৱাখল্লোন অমফাওবা শাগৎপা ঙমদবা হায়বসি মতম শাংনা মণিপুরী খুন্নাই অসি চাউখৎখিরোই হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমা ওইহৌগনি। মীয়ামগী দিমান্দ অসি কনাগুম্বা খরনা মীগী চাকলুক মুনবদৌনা খনবসু চুম্লোই। ৱাখল্লোন অসিদা পুশিন্ননবা হোৎনবা হায়বসিসু অচুম্বা নত্তে হায়জনীংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## কৈশাম্পাৎ ওনখিগদ্রা

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**কৈশাম্পাৎ** মতম অমদা পাৎ ওইরম্মী। 'ঙানু থাঙ্গোংশিংনা চাক্তারম্মী। নখোয়দি মসি থাজররোইদো', নোংমা ওজা এলাংবম রাজনিকান্তা মশামক্লা ইজবা ৱারেং 'থাজগী অইংবা মায়থোং' হায়বা পাড়া অদু মশামক্লা তাকপীবা মতাং অমদা হায়বিখি।

মণিপুরদা পায়খৎপা প্রোজেক্ট কয়া মফম মরাং খঙদনা, কান্নফম খঙদনা লৈরম্মী খঙদনা মাঙখ্রে। পূম্নমক কৈশাম্পাৎ ওনখ্রে। মীচম মীয়ামদা হকথেংননা অকায়বা পীদবনা থোইনা খন্নরুদে।

অদুবু ইম্ফাল সিটিদা পায়খৎলিবা সিৱেজ প্রোজেক্ট অসিদি হায়নীংঙাই লৈতনা অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লি। শিমদি লোইরে হায়বগী তাঙদাংবা অমত্তা লৈতবগুম্লে। লোইখ্রবা ব্লেক টোপ্পিং তৌখ্রবা কয়া অমা অমুক তৌখাইদুনা নৌনা অমুক থবক শুগৎলক্লে। মফম মতম য়েংদনা লম্বী পঙতৌদা তৌখাইরকপদগী লম্বী অমত্তা লম্বী ওইদ্রে। গাড়ী তোংদুনা থোক্ত্রবদি যূমদগী মপান থোকপা য়াদবগী ফীভমদা লৈবা কয়া য়াওরে। হঞ্জিন হঞ্জিন শুদনা লৈবগী মওং অসিনা প্রোজেক্ট অসিগী কান্নবা ফংগনি থাজদ্রে। আর্থক্কেক তৌদ্রিঙৈদসু হান্না লোইখ্রবা কয়া লম্বী নমথরকপদগী হঞ্জিন হঞ্জিন থবক হল্লিঙৈ অমুক আর্থক্কেককী নমাদা মফম কয়াদা অকায় অতোই থোকপগী থেংথবনি নবেম্বর ফাওবগী মনুংদা শঙ্গারগনি অমুক হায়রে। আর্থক্কেক অমুক তৌরক্ত্রগদি করি অমুক হায়গদৌরি হংনরিবা ৱাফমনি।

অসুম্না অমা অমুক অমা অমুক হায়দুনা মতম য়ৈথোক্তুনা মতম ঙাইবা ওইরগদি ওইররোইদবগী মরম থিদোক্তুনা অতোপ্পা উপায় অমা থিবনা পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি। ঙাইবনদি পূম্নমক্কী মাঙজবা ওইগনি। কুইশিল্লক্লগদি কৈশাম্পাৎ পাৎ ওইরম্মী হায়বগী খুদম চাংদম থিবা খঙদবগুম সিৱেজ প্রোজেক্টসু ওইরকপা য়াই। অসুম্না ইম্ফাল স্মার্ট সিটি, মথং মথং কৈশাম্পাৎ ওনখিবা য়াই।

*অদোমগী - ঙম্বা, থাংমৈবন্দ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩

১। মখাদা পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) চোইনৌ (খ) কোংয়াং

২। 'ঐ' কৌবা উপন্যাসকী অইবদু কনানো?

৩। 'ঐগী নুপাগী মচা' ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী অইবীদু কনানো?

৪। 'ইবা লোইশিনখিদ্রবা পুন্সিৱারী' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ২৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

### লৌমীশিংগী কাখল

# পাম্বীদবু ভিটামিন কাপ্পা!

**ডাঃ এম থোইথোই সিংহ**









**পাম্বীদা** মচিঞ্জাক (হার) হেঞ্জিন্না পীবদগী থোরকপা খুদোংচাদবা কয়া অমা মায়োক্ল রিবসিগী মথক্তা পাম্বীবু হেন্না ফহন্নিংবা অমসুং পোখোক হেনগৎহন্নিংমনবদগী মীওইবনা থক্লবা শারক্লিবা ভিটামিন মখল কয়া পাম্বীদা কাপ্পা য়াওরি। শা-ষণগী মচিঞ্জাক অমসুং শাশিংদুদা পীথক্লবা ঈশিংদা হাপ্পবা শেন্নকপা ভিটামিনশিং পাম্বীদা কাপ্পসু থেংনরি। য়াম্না কা হেন্না কান্ননবা হোৎনরিবনি হায়দুনা নাতৈ চাদবা থৌওং কয়া অমা পাঙথোকপা-চথনবা তোয়না থেংনরক্লি।

পাম্বীদা ভিটামিন কাপ্পগী ৱাফমসি অতাবা নৎত্রগা অউবা মীওই খুদিংনা নোক্কনি। মহৌশানা পাম্বীনা ভিটামিন শুংই। মনা-মশিং চাবা জিবশিংনা পাম্বীদগী ভিটামিন ফংই। শা চাবা জিবশিংনা চারিবা শাদুদা য়াওবা ভিটামিন ফংই। মীওইবা অমসুং মীওইবনা য়োকপা শাশিংদা ৱাৎলকপা ভিটামিনশিংগী ওইনদি মখল কয়া য়াওবা ভিটামিন সপ্লিমেন্টশিং চানৈ, থক্লে অমসুং পীজনৈ।

পাম্বীদা কাপ্নবা ভিটামিন শাদে। পাম্বী মশানা শুংজরিবনি। হেন্না সেবা ফজশিনবদগী পাম্বীশিং ফগৎপদি লায়রদনা লায়না তানবা অচৌবা মরম অমা ওই। নপ-নপ লাওবা, অথুম্বগী চাং ৱাংনা য়াওবা ভিটামিন সপ্লিমেন্টশিং ঈশিংদা য়াল্লগা কাপ্পদা পাম্বীশিংদুগী মনাশিংদুদা নপ-নপ লাওনা লৈগনি। মতমদুদা নুংশিত্তা চাং ৱাংনা য়াওরিবা মখল কয়াগী কোকফাই মরুশিং তাশিল্লকপদগী পাম্বীদুদা লায়না থোকহনবা ঙম্বা কোকফাই মরুশিংদু হৌগৎলকই। লায়না কয়া মখা তানা শন্দোরকই। লায়না থোকপগী চাং ৱাংখৎলকই। পাম্বীদা ভিটামিন কাপ্পা কান্নবা ফংদে। মাঙজবনা হেল্লি। পাম্বীদা ভিটামিন কাপ্পগী থবকসি ঙসিদগী তোল্লসি। ***"পাম্বীদা কাপ্নবা ভিটামিন ঙসি ফাওবদি মালেমগী মফম অমত্তদা শাদে।"*** মসিগী মরমদি দরকার লৈতবননি হায়না লৌবা অদুমক য়ারে।

মী, শা-ঙা, উচেক পূম্নমক মচিঞ্জাক চানিংলগা চাই। মবুক থল্লগনা চাদে। মশানা চানিংদ্রগদি ইনবনকা য়াবজাৎ নত্তে। লৈথোক্তুনা খাংলিবনি। অদুবু পাম্বীদি মদু নত্তে। কাপশিন চাইশিল্লবসু লৈথোক খোৎতোকপা ঙল্লোই। তঙাইফদনা চুপশিন দবা ঙমদে। লৈবাক্তা হার মরাং কায়না য়াওজরবসু হেঞ্জিন্না হার অমুক হাপচিল্লকপদগী ৱারবা পাম্বীদু শিবা, কংবা, খুইথবা, মরা তৎপা, পৎপা ময়াম অমা তত্তনা থেংনরি। হার হেঞ্জিনমল্লে, শিবা তারে হায়দুনা অতোপ্পা কাঞ্জুল অমদা চোংথোকপা ঙম্বসু নত্তে। অদুম্মক শিবা তাবনি। শিহৌদ্রমকসু মখল কয়াগী লায়না মায়োক্লবা তাই। লায়না থোকপগী চাং ৱাংই।

দরকার লৈরিবা চাংদুদগী হেন্না শীজিন্নবদা কান্নবা মচেৎ অমত্তা লৈতে। মতম চানা, চাং চানা দরকার ওইরিবা চাং অদুখক হাপকনি। হেঞ্জিন্না হাপ্লগনা মাঙজবা নত্তনা অতোপ্পা কান্নবা অমত্তা লৈতে।

পাম্বীদা নাইট্রোজেন য়াওবা হার হেন্না পীশিল্লবদি পাম্বীনসু হেন্না চুপশিল্লি। মরম অসিনা পাম্বীদা য়ুরিয়া হেন্না হাপচিল্লবদি ঃ- ১) পাম্বীগী সেলশিংদা এমোনিয়ম য়াওবগী চাং হেনগৎলকই, মতুংদা মপান্থংবা সেলশিং (ইপিদর্মেল সেল) দসু ঈশিং ফাওদোক ফাওজিনগী (ৱাটর পর্মিসিবিলিটি) চাং হেনগৎলকই। মসিনা মরম ওইরগা পাম্বীনা লায়না ঙাকথোকচনবগী মপাঙ্গল হন্থরকই। ফৌগী ওইনদি ব্লাষ্ট তানবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি।

২) পাম্বীনা নাইট্রোজেন হেন্না চুপশিনবনা সোল্যুবল নাইট্রোজেনগী চাং হেনগৎলি। হায়রিবা নাইট্রোজেনশিং অসিমক পাম্বীদুদা তাশিল্লক্লিবা কোকফাইশিংগী মরু ওইবা মচি (ন্যুত্রিয়েন্ট) অমা ওই। কোকফাইগী শাহৌ হেনগৎহল্লি। কোকফাই লায়না তাবগী চাং হেনগৎহল্লি।

৩) পাম্বীদা নাইট্রোজেন য়াওবা হার হেঞ্জিন্না পীশিল্লবদি পাম্বীগী মপান্থংদা সেলশিংদা সিলিকা য়াওবগী চাং হন্থহন্দুনা কোকফাই লায়না তাবগী চাং হেনগৎহল্লি।

৪) পাম্বীদা নাইট্রোজেন য়াওবা হার হেঞ্জিনবদগী সেল ৱালশিংদা হেমিসেলুলোজ অমসুং লিগনিন য়াওবগী চাং হন্থরকই। মসিনা মরম ওইরগা পাম্বীদুগী মেকানিকেল রেজিষ্টেন্স লায়না ঙাকথোকচনবগী শক্তি হন্থরক্তুনা পাম্বীনা লায়না ঙাকথোকচবগী পাঙ্গল হন্থরকই। লায়না হেন্না তানবগী মরম ওই।

মরম অসিনা চাথোক লৈনবা, দরকার ওইদবা পোৎলম কয়া কাপ্পা, হারগী চাং হেনজিনবনচিংবা পূম্নমক থাদোক্লগা পাম্বীদা শীজিন্নবা য়াবা কাঙলোনখক শীজিন্নসি। ইচা-ইশুশিংদা মখোয়না চাফম থোক্তবা, কান্নদবা পোৎলমশিং পীজনদে। মমাঙদা নারিঙৈদা শীজিন্নখিবা হীদাক্কী অরেম-অপাসু পীজদে। পাম্বীদদি মখল খুদিংগী হীদাক য়ান্নিংবা মওংদা য়ানশিল্লগা কাপ্পসু থেংনৈ, হান্না শীজিন্নখিবগী লেমহৌবা লৌ হীদাকশিং পঙয়ান্দা য়ানশিল্লগা কাপলিবসি য়াম্না চুমদবা থবক্লি। দরকার ওইবা পোৎলমখক দরকার ওইবা চাংখক পীজনৈ, হীদাকসু পঙয়ান য়ানশিল্লগা কনাসু পীথক্তে।

**পাম্বীশিংবু লুনা তৌসি, মখোয় ৱাহল্লোইসি, পোখোক হেনগৎহনসি** হায়বা ৱাফমসি থমজগে।

# লৌউ পোখোকশিংগী কৈথেল

**এস সুমঙ্গোল সিংহ**

**মণিপুরগী** ওইনা হেক্তা নৈনজরগে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা ঙসি মণিপুরদা লৌউ-শিংউ চাওখৎনবা, পোখোক চাথোক হেনগৎনবা, স্কিম কয়াগী মখাদা অচৌবা প্রোজেক্ট কয়া অমা লৌথদুনা লৌমী ইচিন ইনাও কয়াগী য়াইফনবা মায়কৈ কয়াদগী হোৎনরি। অমরোমদনা অমুক সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটিগী মখাদা এগ্রিকলচরেল কোলেজ লিংদুনা, আই সি এ আরগী সেন্টর হাংদুনা অমদি মসিগী মখাদা কে ভি কেশিং দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী থমদুনা অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরগী, দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ কো-ওপরেসনগী মখাদা এ টি এম এ ইনষ্টিট্যুট কয়া লিংদুনা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া অমা চাংয়েং তৌদুনা অমদি টেক্নোলোজি কয়া অদুবু শানে দাক্তুনা লৌউ-শিংউ চাওখৎনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা মরী লৈনবা সেন্টরশিং অসিদা অমদি মণিপুরগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা পাম্বীশিংগী অনৌবা ভেরাইটি কয়া পুথোক্তুনা অমসুং মপান্দগী অনৌবা ভেরাইটি কয়া অমসু পুশিল্লক্তুনা পোখোক হেনগৎনবা হোৎনবা লেপ্পা লৈতে। মসিগী কান্নবা ফংদে হায়বসু য়াদে। অদুম ওইনমক মসিদগী লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী হেন্না কান্নবা ফংগদবা অমসুং লৌউ পোখোকশিংবু লৈদুনা শীজিন্নরিবা মীওই খুদিংমক্কীসু হেন্না কান্নবা ফংগদবা মওংদা শিনবা অদুমক্তি য়ৌদ্রিব্রা হায়বগী ৱাহং কয়া অমদি লৈতবা নত্তে। মরু ওইনা হায়জরিবা লৌউ পোখোকশিং অসিগী মওং চুম্বা, চৎন-কাঙলোন নাইবা কৈথেল লৈতবা অসিনা হায়রিবা কান্নবশিং অসি মপূং ফানা ফংবা ঙমদবনি হায়বা ৱাফম অসি নৈনবা য়াবা ৱাফম অমনি হায়নরি। লৌউ পোখোকশিং পুথোকপদা চঙখিবা শেলগা পোখোকশিং অদুবু য়োনবদা ফংলিবা শেলগা য়েংনরুবদা পোখোক ফনা নিংথিনা পুথোক্লবসু শেনে দাং য়াম্না ফংবা ঙমদবা মতাং তোয়না থেংনরি। মসিনা লৌউ-শিংউ তৌজরিবা কয়াগী মফমদদি নীংবা য়াম্না কায়নীংঙাই ওইহল্লি। শেন্দোং য়াম্না ফংবা ঙমদবগী মরু ওইবা মরম খরা পনবা তারগদি অসুম্না থন্বা য়াই।

(১) লেবর ফংদবগী অৱাবা
(২) খূৎশুমন কন্ট্রোল তৌদবনা খূৎশুমন ৱাংবা
(৩) শীজিন্নরিবা মেছিন্নরিবশিং - ত্রেক্টর, পৱর ত্রিল্লর, রিপর, থ্রেসরনচিংবগী অৱাইমন চাং চাদনা কা হেন্না ৱাংবা
(৪) হার মতম চানা অমদি চপ চাবা মমলদা ফংদবা
(৫) পুথোক্লিবা পোখোকশিং চাং মান্নদবা হায়বদি মখল অমত্তংগী/খরদংগী পোখোক্লা কা হেন্না মতম অমত্তদা পুথোকপা
(৬) পুথোক্লিবা পোখোকশিং অসি পেরিসেবল হায়বদি মতম শাংনা লীদুনা থন্বা য়াদবনা য়ান্বা ওইবনা অরৈবশিংনা খুদোংচাবা লৌবা
(৭) পোখোকশিং লীদুনা থম্ননবা কোল্ড ষ্টোরেজগী খুদোংচাবা লৈতবা
(৮) মতম শাংনা লীদুনা থন্বা য়াবা পোৎলমশিংসু কাঙলম চুম্না প্রোসেসিং, গ্রাদিং অমদি ষ্টোরেজগী কাঙলোন চুমদবা
(৯) কাঙলোন নাইবা কৈথেল লৈতবনা পোৎকী মমল চানা লেপ্তবা
(১০) পোৎ য়োনফম কৈথেল লৌমীশিংগী ওইনা তোঙান্না লৈতবা
(১১) মথক্তা থমজরিবা খুদোং চাদবশিং অসিগী মরম খরনা ললোনবী/খূৎথাংচাবী/ফৌমাই চাবী (মিদলমেনশিংনা) খুদোংচাবা হেন্না লৌবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মথক্তা থমজরিবশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা মরম কয়া অমসু লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা থেংনরম্বা য়াবগী ওইথোকপসু লৈ।

হায়রিবা খুদোং চাদবশিং অসিদগী খরমখৈ কোক্লবা মায়কৈ কয়াদগী চঙশিনমিন্নবা চঙই। মরু ওইনা লৈঙাক্কী মিৎয়েং, পোলিসি/প্রোগ্রাম শেম্বীরিবশিংগী হৈ শিংবা থৌশিল, পোলিসিদুবু চলাইগদবা মীওইশিংগী পুকচেল শেংবা থৌশিল, লৌমী ইচিন ইনাওশিংগী হৈশিংবা লৌউ মওং, অরৈবা মীওইশিংগী তেংবাঙ অসিনচিংবা পনবা য়াই।

অতোপ্পা, ইনাক খুনবা অচৌবা ষ্টেটশিংগী কাঙলোন নাইবা লৌউ পোখোকশিংগী কৈথেলগী মওং লৌদুনা হোৎনবা কান্নগনি খল্লি।

**লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা হোৎনবা য়াবা থৌরমশিংগী ওইনা**

(১) মাগী মাগী লমদমগী/লৌফমশিংগী চৎনরিবা চান্নবা লৌউ মওংদা (চান্নবা ক্রোপ্পিং পেটর্ন) মায় ওনশিনবা। হায়বগী অর্থদি, খুদম ওইনা মায়কৈ অমদা খামেন অশিনবা থাবদা শেল য়াম্না ফংনরে হায়বা তাবদগী মায়কৈ খুদিংমক্তা হায়বদি মণিপুরগী লৌ উনরিবা মফম অয়াম্বদা খামেন অশিনবা থাবদা পক্লে পক্লদে খঙদনা থানবা হোৎনরবদি করম্না মায় পাক্কনি। করিগুম্বা মায় পাক্লা পুথোরক্লগনা অমুক্তদা মায়কৈ খুদিংমক্তগী পুথোরক্লিবশিং কদাইদা য়োনগনি?

(২) মসিগা লোয়ননা লৌউ পথাপ কয়া সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চঙশিনবা। খুদম ওইনা - অফবা পাম্বী মখলগী অফবা মরু শীজিন্নবগী হৈনবী থম্বা, হার হাপ্পগী মতম, চাং অমদি হাপ্পগী মওং চুমহনবা, লায়না তীলনা কাঙলোন চুম্না মতম চানা ঙাকথোকপা, ঈশিং মতম চানা চাং চানা চনবা, লোকপগী মতম চাহনবা, য়োন্নবা পোৎলম কাঙলোন চুম্না শেম শাবা



*মওং চাদ্রবা লৌউ পোখোক্কী কৈথেল*

অসিনচিংবা পনবা য়াই।

(৩) মতম নত্তবদা পুথোকপা য়াবা মখলশিং খঙদোক্তুনা পুথোক্লবা হোৎনবা।

(৪) ইশাগী লৈজরিবা লম খরা অদু মখল মথেলগী পোৎলমশিং থাননবা হোৎনবা (crop diversification/intensification/intercropping). হায়রিবা পোৎলম অমত্তমক থাবগী মহুত্তা মতমদুদা চান্নবা মখলশিং তোঙান তোঙান্না নৎত্রগা পূন্না কাঙলোন চুম্না থামিন্নবগী হৈনবী লৈনবা হোৎনবা।

(৫) কৈথেলগী ভাও নীংথিনা খঙনবা হোৎনবা।

(৬) অনৌ অনৌবা ৱাখল্লোন- খুদম ওইনা পুনশিন কাঙলোন কয়া হায়বদি ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুট্রেন্ট মেনেজমেন্ট, ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম, ইন্টিগ্রেটেদ পেষ্ট মেনেজমেন্ট হায়বনচিংবা কয়া অসি মওং চুম্না শীজিন্নদুনা তুং কোইবা লৌউ ওইহনবগা লোয়ননা শেন্দোং হেন্না ফংহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

(৭) থবক অমা পায়খৎপদা থৱায় য়াওনা মণিপুরনা পান্দম অমগা লোয়ননা শোয়দনবা চেকশিন্না হোৎনবনা মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা উপাইনি খঙবীবা। হায়বদি নতিক্লি নরাইনি হায়না মহাদেভ লৌউ তৌবীদবা হায়জবনি। মরমদি মদুনা অতোপ্পা থৱায় য়াওবশিংগীসু অমাঙবা হায়বদু ওইরকপা য়াই।

থমজরিবা খরা অসি লৌবিরবদি খরা মখৈদি কৈথেলদা পোৎ তাওথোকপমখৈ হোংবদগী ইচিন ইনাওশিংনা মরক মরক্তা নিংহন্নবা পোক্লিবা অদুদগী খরা মখৈদি কনবা ঙম্বা য়াই। মীকুপ নাহুম শিংনা ঐ ঐনা তৌরিবা শিনফমদা পূক্নিং হকচাং অনীমক য়াওনা হোৎনবা চঙই।

**লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পায়খৎপীবা য়াবা থৌরম খরা পঞ্জবা তারগদি-**

১) মফম চাবা সেন্টরশিং য়েংদুনা মফম কয়াদা লৌমীশিংতগী ওইবা কৈথেল শাবীবা। মসি হোল সেল/নৎত্রগা/ৱিকলি মার্কেট ওইবা য়াই।

২) অশেঙবা লৌমীশিং মশক খঙদোক্তুনা মখোয়দা পোৎফমগী লাইসেন্সশিং ফংহনবা।

৩) মিদলমেনশিংনা তুহৎপীবদগী ঙাকথোক্লবা পান্থেশিং থম্বীবা।

৪) লৌমী মশাদগী হকথেংননা শীজিন্নগদবা মীওইশিংনা/কষ্টমরশিংনা পোৎ লৈবা ঙম্ননবা থৌশিল শেম্বীবা। হায়বদি লৌমীশিংগীদমক হোল সেলদা পোৎ থাফম/য়োনফম হোল সেল মার্কেট মতিক চানা থম্বীবা।

৫) য়োনবদা লোইহৌদবা পোৎলমশিং মতম খরা লীদুনা থম্নবা কোল্ড ষ্টোরেজশিং মফম চানা চানা থম্বীবা অমসুং অতাবা মমলদা মদুবু শীজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংহনবা।

৬) কৈথেলদা পোৎলমশিং পুরক্লবা ত্রান্সপোর্ট সবসিদিগী থৌশিল শেম্বীবা।

৭) পোৎ-চৈগী মমল মতম চানা অরৈবা অমসুং অয়োনবা অনীমক্কী কান্নগদবা মওংদা লেপ্পীবা।

**পূম্নমকশিং অসিগী মথক্তা অতোপ্পা লৈঙাক্লা শিনবীবা য়াবশিং পনবা তারগদি-**

১) লৌমীগী শেন্থং পীরিবা কিষান ক্রেদিট কার্দকী কান্নবা লৌরিবশিং, তশেংনা ফংবা য়াবা মীওইনা ফংননবা থৌশিল শেম্বা।

২) হার মতম চানা চপ চাবা মমলদা ফংহন্নবা পুকচেল শেংনা হোৎনবীবা।

৩) ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা পায়খৎলিবা থৌরমশিং অশেংবা লৌমীশিংদা চপ চানা, অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনবা তৌদনা, ফংফম থোকপা লৌমীশিংদা চপ চানা ফংহন্নবা শিনবীবা।

হায়রিবশিং অসি নত্তবা পায়খৎপা য়াবা থৌরম কয়া অমনি। মখোয় অদু থমখ্রগা থমজরিবা ৱাফম খরা অসি খরদা ওইরবসু পাঙথোকমিন্নরবদি লৌমীশিংগীতা নত্তনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি খল্লি। ঐখোয়না কাউদবা ফৈ, লৌমীনা ঐখোয়গী থৱায় ওইরিবা চিঞ্জাক পীবিরিবনি হায়বসি।